# রাজমনি হোক্কীদা এস এস এ চরাংপাট ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, হেঞ্জুনাহা মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ রাজমনি গ্রাউন্দ কোম্থা অহল্লুপ্তা চখ্তরিবা অনীশুবা য়ুম্নাম রাজমনি মেমোরিয়েল ইনভাইতেসন মেন্স ওপন সবেন এ-সাইদ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা এস এস এ চরাংপাৎনা বাসিখোং (বি)বু গোল ১১-২ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা গ্রুপ (এ)গী শান্নখিবা মেটচতনা হেঞ্জুনাহা খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা বাসিখোং (এ)বু গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।



*এস এস এ চরাংপাট অমদি বাসিখোং (বি)না শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা*

ৱাই সি সি আই সি অমদি কে এ এস দব্লিউ সি কোম্থা অহল্লুপ্পা শিন্দুনা চখ্তরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী লীগ মেটচতা হেঞ্জুনহানা বাসিখোং (এ)বু গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। হেঞ্জুনাহাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পি ঐচ অমর্জিৎনা ২৫, ২৯ অমদি ৪৮ শুবা মিনিটতা ৩ অমসুং এম ব্রোনসননা ৫৫ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। বাসিখোং (এ)গী গোল অনী অদুনা টি ঐচ কিরনকুমার অমদি এন জেনজেননা ২৩ অমসুং ২৭ শুবা মিনিটতা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। হেঞ্জুনহানা পেনাল্টি কোর্নর ৭ অমদি বাসিখোং (এ)না পাঞ্জল ৫ ফংনরবসু গোল ওন্থোকপদী অমত্তা ঙম্নখিদে। বাসিখোং (এ) টি ঐচ কিরনকুমারদা অম্পায়রনা ৪৭ শুবা মিনিটতা গ্রিন কার্দ অমা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা এস এস এ চরাংপাৎনা বাসিখোং (বি)বু গোল ১১-২ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। এস এস এগী গোলশিং অদু কে ইবুঙোনা ১০, ২৯, ৩৯, ৪১, ৪৯ অমদি ৫০ শুবা মিনিটতা গোল তরুক, এস মৈরাবনা ৩৫ অমদি ৪৫ শুবা মিনিটতা অনী, ঐচ রোমি, ঐচ রোমেশকুমার অমদি এল দিপুনা মথংশিংনা ১৩, ১৭ অমদি ২৫ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। বাসিখোং (বি)গী গোলশিং অদুনা এস অলেকজেন্দর অমদি টি ঐচ হেম্থোইবনা ৪০ অমসুং ৪২ (পেনাল্টি কোর্নর) শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

## প্লেট গ্রুপ ক্রিকেটতা মোদেল ক্লবনা পি সি সিবু রন ১৩৩ দা থোয়খ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চখ্তরিবা অহানবা প্লেট গ্রুপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩-১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোদেল ক্লবনা পি সি সিবু রন ১৩৩ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা মোদেল ক্লবকী সাইখোম্বনা ৱিকেট ৫ লৌরগা তাখি।

মোদেল ক্লবনা টোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩৫ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৪৭ লৌখি। ইনিংস অদুদা টেজকুমারনা বোল ৫৬ তা রন ৮১, নোংগ্রেননা বোল ৬০ রন ৫৩ অমদি অজিৎনা বোল ২৮ দা রন ২৫ লৌখি। পি সি সিগী বোল্লর রোহিটনা ৱিকেট ৩, রঞ্জননা ৱিকেট ২ অমদি জোবন্তনা ৱিকেট ১ লৌখি।

পি সি সিনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩১.২ দা ওল আউট ওইরগা রন ১৪৪ লৌখি। ইনিংস অদুদা সন্তোসনা বোল ৫১ দা রন ৩২, রোহিটনা বোল ৪৬ তা রন ২৯ অমদি রঞ্জননা বোল ২৬ তা রন ১৯ লৌখি। মোদেল ক্লবকী বোল্লর সাইখোম্বনা ৱিকেট ৫, মঙ্গী, বোরিস অমদি ইবোয়াইমনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

হয়েং দব্লিউ সি এ য়েংখোম লৈরক্কা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগা শান্নগনি।

## রি য়ঙ ষ্টারনা নাপসা মায়থীবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চখ্তরিবা অনীশুবা টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩-১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রি য়ঙ ষ্টার নাগামপালনা নাপসা খা ইম্ফালবু রন ৪৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদু রি য়ঙ ষ্টারনা তোস ঙম্লগা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৪ লৌখি। ইনিংস অদুদা মুজিবুর রহমননা বোল ২৯ দা রন ৩৩, চিংতম্না বোল ২৪ দা রন ২০, ইকবাল অহমদ সাহনা বোল ১৯ দা রন ১৫ অমদি চাওবনা বোল ১৩ দা রন ১০ লৌখি। নাপসাগী বোল্লর গৌতম্না ৱিকেট ৩, রতননা ২, রঞ্জিৎনা ১ লৌখি।

নাপসানা অনীশুবা ইনিংস্তা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৭৭ লৌখি। ইনিংস অদুদা রোনিকুমারনা রন ২১, গৌতম্না রন ১৯ অমদি মহেশনা রন ১২ লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা রি য়ঙ ষ্টারগী মুজিবুরনা রন ৩৩ অমসুং ৱিকেট ১ লৌদুনা তাখি।

হয়েং চেম্প খাগেমপল্লিগা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগা শান্নগনি।

## কেস প্রাইজ ভেটরান ফুটবোল

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ পিসফুল ক্লব খুরাই নিংথৌবুং লৈকাইনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চখ্তরিবা অহানবা কেস প্রাইজ সিক্স মেন এ-সাইদ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোক অমদি এফ সি ইম্ফাল মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা এ ৱাই ভি এফ এ য়াইরিপোক্না আই এস এ ভি কোংপালবু গোল ৬-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। এ ৱাই ভি এফ এগী গোলশিং অদু ৱাই ইনাওবী অমদি ৱেলসননা ২ /২, ৱাই ইঙোবী অমদি অবুল কলাম্না অমমম চনখিবনি। আই এস এ ভিগী গোল অদুনা অথুই রোংমৈনা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা এফ সি ইম্ফালনা টখেলবু গোল ৭-১ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে।

হয়েং নুংথিলগী পুং ২ দা টি আর বি এস এ মালোমগা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংগা গ্রুপ (এ)গী মেটচ ওইনা শান্নগনি।

## থা অহুমগী গ্রাসরুট কোচিং হৌরগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৬ তাবা মতমদগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসেল টর্ফ গ্রাউন্দা থা অহুমগী ওইবা গ্রাস রুট কোর্স ২০১৪ হৌরগনি।

চহী ৬ তগী ৮, ৯ দগী ১০, ১১ দগী ১২ ফাওবগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রাস রুট কোর্স অসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এ সন্তোসকুমার সিংহনা হৌদোক্কনি।

জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জ

# আর কে ফোর্চুন, এ এফ সি, এস এস সাউন্দ অমদি কে এফ সি মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি তাওবুংখোক্কী গ্রাউন্দা চখ্তরিবা অনীশুবা জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জ ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা আর কে ফোর্চুন, এ এফ সি, এস এস সাউন্দ অমদি কে এফ সি মায় পাকখ্রে।

হেরোস ফাউন্দেসন অমদি টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা শিন্দুনা চখ্তরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী মেটচতা আর কে ফোর্চুননা ভারতি ইনফ্রাটেল লিমিটেদপু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। আর কে ফোর্চুনগী গোলশিং অদু এস হেরোজিৎ, টি শক্তি অমদি এ মোনানা মথংশিংনা ৮, ৫০ অমসুং ৫৪ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচতা এ এফ সিনা ইম্ফাল হোস্পিটালবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। এ এফ সিগী গোলশিং অদু কেমেরুননা ৪ অমদি ৫১ শুবা মিনিটতা ২, কে ঐচ রোমি অমদি মরিংমৈনা মথংশিংনা ৩২ অমসুং ৬০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। ইম্ফাল হোস্পিটালগী এন নাওচাদা রেফরিনা ১৯ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (ই)গী মেটচতা এস এস সাউন্দনা ইবোয়াইমা এগু সন্সপু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। এস এস সাউন্দগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফকী এদিস্নেল টাইমগী অহামনা মিনিট (৩১)দা ফারিপনা চনখিবনি। এস এস সাউন্দগী টারিক অমদি ইবোয়াইমা এগু সন্সকী আর কে সুরজতা রেফরিনা মথংশিংনা ১৩ অমসুং ১৯ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।



*কে এফ সি অমদি জেমস ট্রেদর্সনা শান্নখিবা গ্রুপ (এফ)কী মেটচকী মতাং অমা*

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (এফ)কী মেটচতা কে এফ সিনা জেমস ট্রেদর্সপু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। কে এফ সিগী গোলশিং অদু কে ঐচ য়ুহেনবনা ২৪ অমসুং ৩০ শুবা মিনিটতা অনী অমদি এস উমাকান্তনা ৩০+১ দা অমা চনখিবনি। জেমস ট্রেদর্সকী গোল অনী অদুনা এ রোবার্ট অমদি এন প্রিয়ানন্দনা ৫ অমসুং ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।
















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*